ষ্টোক মার্কেটতা ত্রেদিং তৌবা হায়বসি করিনো

ত্রেদিংগী মওং করম করস্বা লৈ, ইশাগা চানবা ত্রেদিংগী মওংশিং করম্বনো - ৫

- উত্তম নান্দেবম -

(ভি পি ত্রেদিং স্কুল (Mobile / Whatsapp 6909105667)

আর্টিকল অসিগী পার্ট ৱান, পার্ট টু, পার্ট থ্রী অমসুং ফোর পাবীরবা মতুংদা মসিগী আর্টিকল অসি পাবিরগদি হেন্না ৱাখল তাবা হেনগনি খঙৗে।

ষ্টোক মার্কেটতা ত্রেদিং তৌবগী মওং অসি মখল য়াম্মী। ত্রেদর অমগা ত্রেদর অমগা মখোয় মখোয়গী ত্রেদিং একাউন্টতা য়াওবা কেপিটেলগী চাং মান্নদে, শেল মাঙবা ঙম্বগী চাংসু মান্নদে, শেনে দাংনা কাবা-কুম্বা তৌবদু য়েংদুনা লৈবা ঙম্বগী চাংসু মান্নদে, অদুনা ত্রেদর অমগা ত্রেদর অমগা ত্রেদিং তৌবগী মওংসু মান্নগনি হায়বা লৈতে। ত্রেদিং তৌবগী মওং অমদা ত্রেদর অমনা চাউনা মায় পাকখ্রে হায়রগসু ত্রেদর অতোপ্পা অমনা হেক্তা মদুগী ত্রেদিং তৌবগী মওং অদুদা মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে। অদুনা নৌনা লম্বী অসিদা খোঙদারক্লিবা ত্রেদর অমনা মাগী মশাগা চান্নবা ত্রেদিং তৌবগী মওং অসি খঙদোকপা য়াম্না মথৌ তাই।

ত্রেদর অমনা ষ্টোক মার্কেটতা স্যের নৎত্রগা দিরাইভেটিভশিং লৈবা-য়োনবা তৌদুনা মাগী ত্রেদিং একাউন্টতা ওপন-পোজিসন ওইনা মতম কয়া য়াম্না শাংনা থম্বগে হায়বা অসিগী মতুংইন্না ঐখোয়না ত্রেদিং তৌবগী মওং অসি চাওরাক্না মখল তরুক (৬) থোক্না নৈনবা য়াই।

Day Trader : স্যের নৎত্রগা দিরাইভেটিভ অসি ঐখোয়না ঙসি লৈশিল্লগা ঙসিগী মার্কেটনা লোইশিনদ্রিঙৈদা য়োম্থোকপা তারবদি অদুবু ঐখোয়না Day Trading নৎত্রগা Intraday Trading হায়না খঙনৈ। Intraday Trading অসিদা তৌরিবসি নোংমগী মনুংদা লাকপা স্যেরগী মমলনা কাবা কুম্বা তৌবা অদুগী কান্নবা অদু ঐখোয়না লৌননবা হোৎনগদৌরিবনি। মসি ত্রেদর ময়াম্না য়াম্না পান্নবা মখলগী ত্রেদিং মওং অমনি। নুমিদাংগী মতমদা মার্কেটনা ঐখোয়না চঙলিবা ত্রেদ অদুগী মায়োক্তা য়াম্না চাউনা কাবা নৎত্রগা কুম্বা তৌরকপগী, অদুগা কেপিটেল য়াম্না চাউনা মাঙবা য়াবগী চাং অসি Intraday trading দদি লৈতে। অদুনা ব্রোকরশিংনসু ত্রেদরশিংদা য়াম্না চাউনা Leverage পীবা ঙম্মী। মরম অসিনা ত্রেদর অমনা এম আই এস হায়বদি Intraday Order Type শীজিন্নদুনা ত্রেদ চঙলবদি কেপিটেল খজিক্তং শীজিন্নদুনা মমল অয়াম্বা স্যের লৈবা য়োনবা তৌবা অমদি শেন্দোং য়াম্না চাউনা তান্নবা হোৎনবা য়াই।

Scalper : Intraday Trading অসিদা করিগুম্বা ঐখোয়না য়াম্না তেনবা মতমগী মনুংদা ত্রেদ অমা চঙবা অমদি লৌথোকপা অনীমক তৌবা তারগদি মদুবু ঐখোয়না Scalping হায়না খঙনৈ। বায়র অমসুং সেল্লরগী চাং খেন্নরকপনা মরম ওইদুনা য়াম্না তেনবা মতমগী ওইনা, স্যের অমগী মমলনা কাবা-কুম্বা তৌরকপা মতমদা ঙাইহাক্কী ওইবা ত্রেদ অমা চঙশিল্লগা শেন্দোং খজিক্তং হেক ফংবগা লৌথোকহৌবা ত্রেদ অদুবু ঐখোয়না Scalping trade হায়না কৌগদৌরিবনি অদুগা Scalping তৌরিবা ত্রেদর অদুবু ঐখোয়না Scalper হায়না খঙনৈ। মতম য়াম্না তেনবা ত্রেদ ওইবনা Scalping অসিদা মাঙবা তোংবা হায়বসি য়াম্না থুই অদুনা য়াম্না কুইনা মার্কেটতা পোজিসন অমা লৌদুনা মার্কেটনা কারকপা নৎত্রগা কুম্লকপা ঙাইবগী অৱাবা অদু Scalping দদি লৈতে। অতেনবা মতমগী ত্রেদ ওইবনা নোংমদা ত্রেদ ময়াম অমা তৌবসু য়াই। অদুনা Scalping অসি নিংথিজনা হৈরবদি অতেনবা মতমদা শেন্দোং য়াম্না তানবদি য়াই।

তৌবতবু, Scalping তৌবা হায়বসি য়াম্না কুপ্পী, বায়র/সেল্লরগী খেন্নরকপগী চাং য়াম্না নিংথিজনা নৈনদবা য়াদে, candle patterns অমদি ঙাইহাক্কী ওইবা মার্কেটকী মায়কৈ য়াম্না মুন্না য়েংদবা য়াদে। অদুনা Scalping অসি নিংথিজনা হৈবা অমদি খূৎলোয়নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙই, য়াম্না তোয়না ত্রেদ মচা মচা ময়াম চঙদুনা হৈনবা হোৎনবা অমসু মথৌ য়াম্না তাই। ত্রেদর খুদিংমক Scalping হৈগনি অমসুং scalping দগী শেল তানগনি হায়বসু য়াদে।

Swing Trader : য়াম্না কুপ্না স্যেরগী নৎত্রগা দিরাইভেটিভ অমগী মমলনা কাবা-কুম্বা নৈনবা হায়বসি ত্রেদর খুদিংমক্কা চান্নগনি হায়বা লৈতে। কনাগুম্বা ত্রেদর খরদি মার্কেট অসি চাওরপনা য়েংলগা, হাপ্তা অমগী ওইনা নৎত্রগা থা অমগী অনীগী ওইনা করম্বা মায়কৈদা মমলনা চৎলকপা য়াই, চৎলক্লগাদি কদাইৱাই ফাওবা চৎলকপা য়াই হায়বসি নৈনদুনা হপ্তা অমগী নৎত্রগা থা অমা অনীগী ওইনা ত্রেদ চঙদুনা মার্কেটনা মানা খল্লিবা মায়কৈ অদুদা লাকপরা হায়বদু য়েংদুনা ত্রেদ তৌই। মসিগুম্বা মতম খরা শাংবা মওংদা ত্রেদ তৌবা অসিবু ঐখোয়না Swing Trading হায়না খঙনৈ। মতম শাংনা থমগদবা ত্রেদ মখল ওইবনা, Swing Trading অসিদদি নোংমগী ওইবা মার্কেটনা কাবা কুম্বা ময়ামসি য়াম্না কুপনা নৈনবগী মথৌ তাদে। অদুনা থবক তৌবা প্রোফেসনেলশিং নৎত্রগনা পার্ট টাইম ত্রেদরশিংনা য়াম্না পান্নবা মখলগী ত্রেদিং মওংনি।

Fundamental Trader : নুংতি নুমিৎ খুদিংগী স্যেরগী মমলনা কাবা কুম্বা অসি য়েংদুনা নৈনদুনা ত্রেদ তৌবগী মহুত্তা, লোঙ টর্মগী ওইনা কাখৎলকপা য়াই খনবা কম্পেনি খরগী স্যের লৈশিন্দুনা মতম খরা শাংনা হোল্ড তৌদুনা শেন্দোং তাননবা হোৎনবা অসিবুনা ঐখোয়না Fundamental Trader হায়না খঙনৈ। Fudamental Trader শিংনা তৌরিবা অসিনা কম্পেনি অমগী স্যেরগী মমল অসি ওইফম থোকপা মমলদগী য়াম্না হেন্না তারগা হৌজিক লৈ খল্লগদি স্যের অদু লৈশিন্দুনা স্যের অদুগী চান্নবা মমল অদু য়ৌরক্ত্রিবা ফাওবা হোল্ড তৌগদৌরিবনি অদুগা শেনে দাং তান্নবা হোৎনগদৌরিবনি। স্যেরগী হৌজিক লৈরিবা মমল অসি চান্নে চান্নদে, হোঙই তাঙই হায়দুনা নৈনবা অসিবু ঐখোয়না Fundamental Analysis হায়নসু খঙনৈ। কম্পেনি অদুগী ওইবা ফন্দামেন্টেলশিং নৈনদুনা মাগী স্যেরগী মমল অসি লোং টর্মদা ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না খল্লগদি ঐখোয়না স্যের অদু লৈশিন্দুনা ঐখোয়না খল্লিবা মমল অদু য়ৌরকপা নৎত্রগা কাখৎলকপা ঙাইগদৌরিবনি। মসি চহী অমা (১) চঙবা য়াই, চহী মঙা (৫) চঙবা য়াই নৎত্রগা অদুদগী হেন্নসু চঙবসু য়াই। মতম য়াম্না শাংনা অসুম্না কম্পেনিশিংগী ফন্দামেন্টেলস নৈনদুনা কম্পেনিশিং অদুগী স্যের লৈশিন্দুনা ত্রেদ তৌবা ত্রেদরশিংসিবু ঐখোয়না ইনভেষ্টরস হায়নসু খঙনৈ।

Arbitrage Trader : কম্পেনি অমগী স্যের অসি একচেঞ্জ মখল মখলদা ত্রেদ তৌবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা রিলাইএন্সকী স্যের অসি এন এস ঈদসু তৌই অদুগা বি এস ঈদসু ত্রেদ তৌই। করিগুম্বা কান্দা একচেঞ্জ অনীদা লৈরিবা স্যের অমগী মমল অসি মানরক্তবা য়াওরকপা য়াই। অদুগুম্বা মতমদা স্যের অদু অহোঙবা একচেঞ্জতা লৈশিল্লগা, অতাঙবা একচেঞ্জতুদনা য়োম্থোক্লগা মমল অনীদুগী খেন্নবা অদু শেন্দোং ওইনা ওম্থোক্লবা হোৎনবা য়াই। মসিগুম্বা মান্নবা স্যের নৎত্রগা মান্নরপ তৌবা স্যের অনীগী মমলগী খেন্নবা অদু নৈনদুনা শেন্দোং ওম্থোক্লবা হোৎনবা অসিবুনা ঐখোয়না Arbitrage Trading হায়না খঙনৈ। Arbitrage trading অসি মমাঙৈঙৈদা শেন্দোং য়াম্না তানরম্মবসু টেক্নোলোজিনা অসুম অসুম চাওখৎলকপনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি রিটেল ত্রেদরশিংনা arbitrage তৌবা য়াবা তাঞ্জা থিবা অসি অরুবা অমা ওইরে।

Algo/High Frequency Trading : কম্প্যুটরগী টেক্নোলোজিনা লেপ্পুনা চাওখৎলকপনা মরম ওইরগা হৌজিক ত্রেদর অমনা কম্প্যুটরগী মমাঙদা ফমদুনা লৈরগা ত্রেদিং অসি তৌবগী মহুত্তা, কম্প্যুটর সোফ্টৱেয়র অমা শীজিন্নদুনা ত্রেদর অদু মশা য়াওদবীদা কম্প্যুটরদা অদুমক ত্রেদ তৌহনবসু য়ারে। অসুম্না ত্রেদিং সোফ্টৱেয়র শীজিন্নদুনা ত্রেদর মশা য়াওদনা ত্রেদিং তৌবা অসিবু ঐখোয়না Algo Trading হায়না খঙনৈ। Algo হায়বদি Algorithm দগী লাকপনি, Algorithm হায়বদি কম্প্যুটরগী সোফ্টৱেয়র প্রোগ্রাম হায়বনি। এলগো শীজিন্নদুনা ত্রেদ তৌই হায়দুনা ঐখোয়না এলগো ত্রেদিং কৌরিবনি। কনাগুম্বা ত্রেদর অমনা এলগো ত্রেদিং অসি হৌনীংবা মতমদা হেক্তা হৌবা য়াই। এলগো অসি ঐখোয়না হান্নদগী শেমদুনা লৈরম্মবা অমা লৈশিল্লগা ত্রেদ তৌবা হায়বা য়াই নৎত্রগা, কম্প্যুটর সোফ্টৱেয়র প্রোগ্রামশিং অসি ইশানা হৈজরগদি ইশানা এলগো অসি ইনৌ-নৌনা ইজরগা ত্রেদ তৌবসু য়াই। এলগো অসি ইবা মতমদা য়াম্না অরুবা সোফ্টৱেয়র প্রোগ্রামিং চঙদে অদুমকপু ত্রেদিংগী টেক্নিক অমদি এনালিসিসশিংদি ফজনা মমুৎ তানা খঙদবদি য়াদে।

ত্রেদিংগী ওইবা কম্পেনি অচৌ অচৌবশিংদি হৌজিক অনম্বনা মশাগী ওইবা সোফ্টৱেয়র শীজিন্নদুনা ত্রেদ তৌনরে। অসিগুম্বা য়াম্না এদভান্স ওইবা, অতাঙবা সোফ্টৱেয়রশিং অসি শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা মীওইবনা তৌবা ঙমদবা মওংদা য়াম থুনা millisecond গী চাংদা য়াঙনা কম্প্যুটরশিং অসিনা ত্রেদ তৌবা ঙম্মী। Millisecond গী চাংদা মমলনা কাবা কুম্বা (fluctuation) শিংদসু কম্প্যুটরশিং অসিনা ত্রেদ তৌদুনা শেল তানবা ঙম্মে। মসিবু ঐখোয়না High Frequency Trading হায়না খঙনৈ।

ত্রেদিংগী ওইবা মওংশিং অসি খঙলবা তুংদা ঐখোয়না হংজগদৌরিবা ৱাহং অসি, ঐ ইশাসি করম্বা মখলগী ত্রেদিংগা চান্নগনি হায়বা ৱাহং অসিনি। ইশাগা চান্নবা ত্রেদিংগী মওং অসি, ত্রেদিংদা থাদবা য়াবা ঐগী লৈজবা কেপিটেল, ঐনা লৌবা ঙম্বা রিস্ককী চাং, ঐনা মার্কেটতা নোংমগী থাদবা ঙম্বা মতম, কয়া য়াম্না কূপ্না ঐনা টেক্নিকেল এনালিসিস অসি তৌবা ঙমগদগে নৎত্রগা Fundamental Analysis অসি তৌবা ঙমগদগে হায়বা অসিনচিংবশিং অসিগী মখা য়াম্না পোল্লি।

ইশা চান্নবা ত্রেদিং তৌবগী মওং (ত্রেদিং ষ্টাইল) অমা থিদোক্লবা হোৎনবা অমদি খঙদোক্লবা হোৎনবা হায়বা অসিসু মায় পাকপা ত্রেদর অমা ওইরকপা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাং অমনি। ●

ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেনা লাকপদা, কোভিদ-১৯ অমসুং এনভাইরোনমেন্ট

- সোটিনকুমার -

চহী খুদিংগী জুন ৫ ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে মালেমগী মফম শিন থুংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ না ঙসিদি লায়র-ইনাক খুনবা, অচৌ-পীশক, অহল অঙাং খায়দনা মালেমগী মফম শিন থুংনা লান্দারক্লবা মতমসিদদি মীওইবনা মহৌশাগী খলবু শেন্দোং হেন্না হেন্না তানশিন্নবগীদমক শিংনরুবগী ফলনি হায়বা খঙলক্লবনিনা ৱর্ল্ড এনভাইনরোনমেন্ট দে পাঙথোকপগী ৱাহম্থোক হেন্না ময়েক শেংবা হেল্লক্লে। মহৌশানসু কোরোনা লোয়ননা অতোপ্পা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মহিক মতাইশিং, অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, ঈশিং ঈচাওনচিংবগী মওং লৌদুনা মীওইবদা হন্দুনা লান্দারক্লি।

মতাং চানা ঐখোয়না নীংশিংগদবদি ১৯শুবা চহীচাদা এঙ্গেলসনা 'দাইলেক্টিক্স ওফ নেচর' গী মতাংদা থমখিবা ৱাফম মদুদা মহৌশাবু খুদুম চনবা ঙম্লে হায়দুনা নাপল কারোইদবনি। মরমদি মহৌশাবু খুদুম চনবা খুদিংগী মহৌশানসু হন্দুনা ঐখোয়দা লমন খুল্লকই। হৌরকপদদি ফংলক্লিবা ফল অদু ঐখোয়গী অপাম্বগী মতুং ইনগনি। অদুবু মতুং তারকপদদি ওন্ন- তৈনবা ফলশিং থোরকই। মদু হৌজিক্কী মতমদা ময়েক হেন্না শেংলক্লে। ঐখোয় ঙসিদি মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা ১৯শুবা চহীচাদা মচা খায়না ফোঙদোক্লম্বা মীওইবনা মহৌশাবু শিংনরুবগী ফংলক্নদবা ফলশিংদু নৌহৌননা নৈনবা মথৌ তারি।

কোভিদ-১৯ না মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি মথক্তা পনখ্রিবা মহৌশাবু শিংনরুবগী ফলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লেই। অহানবা কোভিদ লাইচৎকী মতম নুমিৎ কয়ানি (২০২০, মার্চ থাগী অরোইবা শরুক্তগী) লোকদাউন তৌখিবা অদুদা মহৌশাসু হান্নগী শক্তমদা তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লকপা উখি, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈমায় অমদি ঈশিংদা য়াওরম্বা হুগী মশক ওইরবা মচাকশিং অদু হম্বরকপা থেংনখি, লৈঙাক্না অহেনবা শেলফম থাদদুনা তুরেল তেংদ্রবসু মতোমতা শেংদোকচরকখি । হান্না উবা ফংলুদ্রবা উচেক-ৱায়াশিং ঐখোয়গী অকোয়বদা চাক্তাবা হৌরক্লে। উপাল ৱাপালশিং য়েন্নিং চোংলক্তুনা, মসা মরেং শন্দোরক্তুনা ঐখোয়না হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ওক্সিজেন মরাং কায়না থাদোরক্লে অমদি নুংশিৎতা মোৎশিনহনবা হম্বহন্দুনা অকোয়বগী ফিভম হেন্না ফজনা ফগাৎহল্লে। ফিভমসি মখা তানা লৈহনবা ঙম্লবদি মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা জিবশিং মরু ওইনা ঐখোয় মীওইবগী হেন্না শাফবা ওইগনি। কিলোমিটর চা কয়া লাপ্পদগীসু হিমালয় চীংশাং মশেক মঙাল ফুদোক্না তরং তরং উবা ফংলে, লমকোয়বশিংনা মোৎশিন্দ্রবনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা তুরেলশিং গঙ্গা, যমুনা , কৃষ্ণ, কাবেরী, গোদাবারিনচিংবা মোৎশিনবা হম্বরে, য়েংবদা ফজরে। নহানমখে চহী কয়া লিশাং শিৎনা লুহনবা, নানহনবা ঙম্লমদ্রিবসি লৈঙাক্কী থৌশিলদা অশোয়বা অহোবা লৈবদগী ওইরম্লে।

কোরোনা অমসুং মহৌশা :

কোরোনাগী শাথিরবা লায়চৎ অসি অকোয়বগী অমদি শেন্মিৎলোনগী ফিভম অনিসিনা ওইহনবনি। থৱায় পানবা খুদিংমক মখোয় মখোয়গী চুশিন্নবা মফমদা হিংজনবগী হক লৈ। চাউখৎলকপগী মীংদা মীওইবনা মহৌশাগী খল কায়হনবা থবক থৌওং কয়া চথবদগী হৌরিবা উপাল-ৱাপাল, লম্লক্কী শাঙা, য়াম্না কুপ্পা তিল কাংশিংগী হৌজনবগী হিংজনবগী মফম পীকশিল্লকই। মসিনা অচৌবা মরম অমা ওইদুনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তিল কাংশিংগা মীওইবগা নকশিন্নবা হেল্লকপদগী খুদোংথিংবা কয়া নংহল্লকই।

মহিক হায়বসিদবু ওর্গানিক কম্পাউন্দনি। মসিনা থৱায় পান্দবা পোৎচাকশিংদগী থৱায় পানবা অহিংবা জিবশিংদা লানশিন্নবগী তাঞ্জা ফংবদা চংশিল্লি। মহিকশিং অসি অহিংবা জিবশিংদা লানশিনদ্রঙৈগী মমাংদদি মথৌ তৌদনা লৈ। অদুগা লানশিল্লবা মতুংদদি কনখৎলক্তুনা লায়ওং উংপা হৌরকই।

কোরোনা অমসুং ইকো-ইম্পেরিয়েলিজম :

কোরোনা লাইচৎ অমসুং মসিনা মীওইবদা পীরিবা শাথিরবা চৈথেং অসি হিদাক লাংথক পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংনা মপুং ফানা থেংননবা শেম শাফম থোকই। মালেমগী ওইনা হিদাক লাংথক পুথোক্তুনা য়োল্লিবা ফার্মাসিশিংগী কৈথেল অসিদা চাওরাক্না মিল্লিয়ন দোল্লর ৯৩৪-৮ রোমগী পোখোকশিং চহীদা য়োল্লি। লোয়ননা চহীদা চাদা ৫.৮ গী চাংদা অহেনবা শেন্দোং তানশিল্লি। মখোয়গী মনুংদা মকোক থোংবা কম্পেনি ১০ না চাদা ৩০ গী হিদাক লাংথক পুথোক্তুনা য়োল্লি। কাপ্পনবা ভেক্সিনগী চাদা ৮০ দি সার্ক এন্দ প্লিজর হায়বা কম্পেনি অসিগী মতোমতগী পোখোকনি। মালেমদা হিদাক লাংথক শাদুনা পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংগী চাদা ৫০গী রেভিন্যু য়ু এসকী হিদাক লাংথক্কী কম্পেনিশিংনা ফংলি। কুমজা ২০০১ দা মালেমগী কৈথেলশিংদা বিল্লিয়ন দোল্লর ৩৯০ গী হিদাক লাংথক য়োনখিবদু চহী ১৮গী মতুং কুমজা ২০১৯ দদি ৱাখলনা লাম্বদা ওইথোক্লরোইদবা মানবা মওংদা য়োনখিবদগী ত্রিল্লিয়ম দোল্লর ১.২৫ দা খঙহেন হেঙ্গৎলকখি।

মরী লৈননা থমজনিংলিবা ৱাফমদি, অনৌবা হিদাক লাংথক পুথোকপদা মাঙজিল থারিবা মমিং লৈরবা অচৌবা কম্পেনি কয়া লৈরিবা অমদি চাওখৎপা খম থেংলবা অমেরিকাগুম্বা লৈবাক অমনা মালেমগী মীয়ামবু য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লিবা তমথিরবা কোরোনা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হিদাক পুথোকপদা মতম শাংনা লৌখিবা করিগীনো? মসিগী মরম লৈফম থোকই। লায়নাসিনা মালেমগী লৈবাকশিংদা থোকহনবা মীশি মীনাগী চাং চাওখৎলবা কেপিটালিষ্ট লৈবাকশিং-য়ু এস, ইটালি, স্পেন, য়ু কেনচিংবদা ৱাংবা হেল্লি। অদুগা ঐখোয়গী লৈবাকসু লৈঙাক্না লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংদা অশোয়বা কয়া লৈবদগী লাইচৎ অসিনা ঙসি ফাওবদা মীওই ক্রোর ২.৮৩ গী মথক্তা শোকহল্লে অমদি মীওই লাক্ষ ৩.৩৫ গী মথক্তা অশিবগী খয়াৎতা তাখ্রে। শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটশিংদি অহেনবা শেন্দোং তানশিনবদদি থৱায় হকচাং য়াওরি। অদুবু লাইচৎসিগী মতাং দদি থওই-ৱাওইদনা লৈশিল্লি। অমরোমদা শেন্দোং কয়া হেন্না লাকপা মাস্ক, পি পি ই শাবদা থৱায় য়াওশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী মার্কেট চাওথোক্লবা হোৎনরি।

মালেম শিনথুংবা কোরোনাগী লাইচৎ অমদি ইকোলোজি কাইথরকপা অসি শেঞ্জাও পায়বশিংগীদমক্তদি মতোন থোক্লে। মরমদি মখোয়গীদমক থবক শুবীনবা শিন্মী খ্বাইদগী অতাবা খুৎশুমলদা ফংলে। লাইচৎসিনা মরম ওইদুনা শুফম নোম্ফম লৈতদুনা ঙাওচৎনরবা শিন্মীশিংনা অপীকপা শেলফম খরগীদমক মখোয়গী লাংদা থুরি।

মহৌশাবু শিংনরুবগী ফল :

নাকল অমরোমদসু য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রবা শাবগী চাং হেঙ্গৎলক্লিবা অসি মখা তানা হেঙ্গৎহন্দনা থমদুনা এনভাইরোনমেন্ট কন্ননবগী য়ানখ্রবা একোর্দ অদু হন্দোকখিবসিনা কায়থরক্লিবা অকোয়বগী শক্তম কন্নবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংদা চাওনা খুরৌ থাংহল্লে। মালেমগী কৈথেলদা শেন্দোংগীদমক খল্লগা অকোয়বগী ফিভম কায়থনরকপগী নুংনাংবা পোক্তনা লেপ্পা লৈতনা অহেনবা অনৌবা থাওগী খনী থীদুনা থাও চিংথোক্লি। থৌওংসি অসুম চথুরিবগী মরমদি অকোয়বগী শক্তম কনবা হায়বসি কোর্পোরেটশিংগীদমক্তি মখোয়গী শেঙ্গাওদা হাপচিল্লক্লদবা অচৌবা শেন্দোং খায়দোকখিবনি। থাও হায়বসি মালেমগী চাওখৎপা পুরকপা অহোংবা কয়ানা মরম ওইদুনা কৈথেলদা খ্বাইদগী হেন্না লৈদুনা শীজিন্নবা পোখোকনি। অমরোমদসু মসি (থাও) কা হেন্না শীজিন্নবনা অকোয়বগী শক্তমদা মেনশিনবা ঙম্লরোইবা অকায়বা কয়া থোকহল্লি।

লল্লোন ইতিক্কী লম্দা অথোই অহেন তান্নবা অমদি কোরোনাগী লাইচৎ অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়ু এস ইম্পেরিয়েলিজমনা মালেমগী শেন্মিৎলোন শোকচিন্নবা হোৎনরি। ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সিনা ফোঙলকপগী মতুংইন্না য়ু এসতা লৈবা থাওগী কম্পেনিশিংনা মশিং লাকঙমদ্রবা শেল থুম থাওগী করবারদগী তানশিনখ্রে। মালেমগী কৈথেলদা থাওগী মমল হম্থ্রবসু ঐখোয়দা থাও অমদি চাকথোং গ্যাস মমল ৱাংনা ফংহল্লি। তশেংবমক্তি থৌওংসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা মীচম মীয়ামদগী ঈ চুপ্পনি।

ঙসি ঙসিমক অহিং অশাদা অচৌবা অহোংবা লাকপসিনা ঈচাও অমদি ঈকং থোকপা, অখাক অরাওগা শাফু কনবা নোংলৈ নুংশিৎ, খঙশা শাবা, খঙইং-ইংবনচিংবা ওইথোক্লেই খল্লম্বা কয়া অচুম্বা ওইরক্লি। অৱাং অমসুং খা মেরুগী লমশিংদা উন্না থানা কুপশিল্লম্বদু লেপ্পা লৈতনা শৌদোরকপদগী ঙসিদি সুমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মালেমদা লৈরিবা অকুৎপা অনেম্বা মফমশিং সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদা লুপখিগদ্রা হায়বগী মীপাইনবা ফাওনরি, লৈবাক কয়াগী কেপিটেল সিতিশিং মফম হোংদোকপগী ৱাফম ফোঙদোক্লরি। মসিদা নত্তনা অৱাং অমদি খা মেরুদা সমুদ্রগী ঈশিং অসি শাবা হেনবদগী উনপাকশিং শৌদোকপা হেল্লক্তুনা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকং তোয়না থোক্লি।

মহৌশাবু শিংনরুবগী ফল :

হৌখিবা দিকেদ অহুম (চহী ৩০) সিদা আর্টিক্কী শরুক অসি চাদা ৩০ পীকশিনখ্রে হায়না থিজিল্লোইশিংনা ফোঙদোক্লি। মসি মীওইবা খুন্নাইগীদি হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবনি। মফমশিংদুদা শাবগী চাং হেঙ্গৎলকপনা খুৎলৈ থুনা উন শৌদোকপসু হেঙ্গৎহল্লি । অসুন্না শেংন্দোংগীদমক চথরুবা মীকাবা থৌওং থৌশিলনা ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইনা হিংবদা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ঈশিং নুংশিৎতা অহোংবা কয়া লাকপনা নোংজুগী মতম অরেপ্পা লৈরক্তবনা মহৈ মরোংগী পোখোকশিং পুথোকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। তশেংনমক মহৌশানা হন্দুনা ঐখোয়দা লমন খুল্লক্লি।

ঙসিদি ঐখোয়না ঈশিং অসি অসুক্কী মতিক মোৎশিলহল্লে। মদুদি তুরেলগী হৌরকফমদা ফাওবা ঈশিং অদু শিজিন্নবদা হকচাং শোক্লিংঙাইগী মওংদা লৈরে। অদুবু তুরেলগী ঈশিং শেংদোক্লবা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা লৈঙাক্কী খুৎচবী খরনা বোট্টলদা হানবা মিনরেল ৱাটর পুথোক্তুনা য়াম্না চাওবা শেন্দোং লাকপা করবার ওম্থোক্লে। মতম অমদদি ঈশিং লৈদুনা থক্ল-চানবা অমদি অতৈ ঈশিং চঙদবা য়াদবা হিরমশিংদা শীজিন্নরক্কনি হায়বসি মঙদা ফাওবা মঙলুবা নত্তে। খরা লৈরগদি শ্বর হোন্নবা ওক্সিজেন ফাওবা লৈদুনা শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লাক্কদৌরি। হৌজিকপু মীচম মীয়ান্না অতাবা মমলদা থক্লবা ঈশিং ফংবগী আশা তৌনিংঙাই লৈরিব্রা? অসুন্না শেন্দোংগীদমক য়েংলগা চথবা থৌওং কয়াসিনা অকোয়বগী ফিভম হেন্না শোকচিলহল্লক্তুনা অরু-অরুবা লায়না লায়চৎশিং মায়োক্লবা হেল্লক্কদৌরি।

চাওখৎপা অমসুং এনভাইরোনমেন্ট :

ঐখোয়না হেন্না চাশিন্নবা মওংগী টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা চাওখৎপসু পুরক্লবা অদুগা অমরোমদসু অকোয়বগী শক্তম কায়হন্দনা থন্নবা হোৎনবগী মথৌ তারি। ঐখোয়না কেপিটেলিষ্ট অমদি ইম্পেরিয়েলিষ্টশিংদতা মরাল থংজিন্দুনা লৈবনদি মতম হৌখিদুনা মালেমগী চাওখৎলবা সভ্যাতাসি মুৎখিবনা হাল্লগনি। মরম অসিদগী মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, স্কু ল, কলেজ, প্রোফেসনেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং পুন্না খুৎশন্নদুনা অকোয়বগী শক্তম কন্নবা হোৎনবসিনা ইহান হান্না লৌখৎফম থোকপা থৌদাং ওইরবতদা শান্তি লৈবা, নিংথিজরবা মালেম অমা তুংগী মীরোলগীদমক থল্লম্বা ঙমগনি। ●

LATEST LY
World Environment Day
2021

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

ফত্তনদা উগ্গুমসি, অফবসু খনবা তমসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক ষ্টেট অসিদা নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেস অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা লাইচৎ কোভিদ-১৯গী মরমদা মীয়াম্না হেন্না খঙনরে। হেন্না কূপ্না খঙলবা মতম অসিদা লায়না অসিগী কেস মশীংদি হম্বরকপা লৈত্রি। লৈবাক অসিগী ওইনা য়েংবদা হম্বজরবসু ষ্টেট খরদদি থুনা য়াঙনা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা য়াওরি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অয়াম্বদা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থমদুনা তমথীরবা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা পাম্বে থিনরি। ষ্টেট অসিগীসু মে ২৮দা লোইখ্রবা কর্ফিয়ুগী মতম নৌনা নুমিৎ ১৪নি শাংদোকপা লৈখ্রে। কর্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম্বু মপান থোক্তনবা কন্না হোৎনজরবসু পোজিটিভ কেস মশীংদি নুংতিগী অদুম্মক থেংনরি। কদাইদনো অমদি ইৱাৎ ৱাৎপদৌনা তৌরি।

হৌজিক থল্লিবা কর্ফিয়ু অসিনা করিগুম্বা লৌথোরক্তুনা মীয়ামদা মপান থোকপা য়াবগী অয়াবা পীরকপা মীকুপ্তা করি ওইগনি খল্লুবদা অকিবা অমসু ফাওরে। কয়াম কুইনা কর্ফিয়ুসু থম্বা য়াগদৌরি। অসুম্না মীয়াম্বু ফাজিন্দুনা করম্বা মতম ফাওবা থল্লুবা ঙমগনি। কর্ফিয়ু থমজরবসু মসিবু কুম্মেগুম্না খন্দুনা কর্ফিয়ুগী কাঙলোন থুগাইবগী নুমিৎ খুদিংগী পুলিসনা ফাবা লেপত্রি। পুলিসকী ইচিন-ইনাওশিংসু লমহেনবশিং অসিবু ফাননবা, শেন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি। মখোয়গীসু ইমুং-মনুং, মচা-মশু লৈরিবনি অদুবু কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্টলাইন ৱার্কর অমা ওইনা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবনি। মখোয়না তৌরকপা থবকশিংদা ঐখোয়না নিংথিনা কো-ওপরেসন পীফম থোকপনি।

কর্ফিয়ু থল্লিবা অসি লায়না অসিগী চেন সিষ্টম অসিবু থুগাইনবা হোৎনবনি। সেকেন্দ ৱেভতা কোরোনাভাইরসকী মতিক-মগুন তৌবা ঙম্বা অমদি কয়ামুক য়াঙনা মী অমদগী অমদা শন্দোকপা ঙম্বগে হায়বদু পূম্নমক্না খঙনরে। লায়না অসি হৌজিক্তি ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইরবনি। ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং অমসুং লৈঙাকখক্তদা ইম্থোকপসু চুল্লোই। য়ূম-য়ূমদা ফমদুনা সোসল মীদিয়াদা মীগী অশোয়বদা থিদুনা ঙাও-শকপগী মহুত্ত ফজ-ফজবা ৱাখল্লোন অমদি সজেসন কয়া পুথোক্নদুনা লায়না অসিবু মায়োক য়াবদা য়াওশিন্নবা হোৎনবনা চুমগনি।

হৌজিক্কী মতমদা ইন্টরনেট অমদি স্মার্ট ফোনগী খুদোংচাবা ফংখিবনা সোসল মীদিয়াগী মফম অমা ইরমদম অসিদসু চাউনা কল্লরি। লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অয়াম্বনা সোসল মীদিয়াদা মখোয়না নুংতিগী তৌরিবা থবকশিং, কর্ফিয়ু থম্বদগী অমদি পোজিটিভ ওইবদগী অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংবগী ইমেজ, ফোটো অমদি ভিদিওনচিংবা থাগৎতুনা মীয়ামদা উংলি অমসুং খঙহল্লি। মদুবু উরগা মীওই খরদি থাগৎপা হৈতবগুম, ৱাখলদা ফত্তবা ঙাক্তখন্দুনা লৈবগুম অফবা কম্মেন্ট পীবা হৈতবদৌনা পূল্লিং হম্থগদবা ৱাহৈ খক্তমক শীজিন্নবা য়াওরি। অফবা তৌরকপদা ফৈ হায়বা ঙমদবা মীওইশিং অসিনা খুন্নাই অসিগীদমক করি তৌরমগদগে হায়বদু অইবগী ৱাখলনা লাম্বা ফংদ্রে। ঐ ইশানা শরুক য়াদ্রবসু অতোপ্পবুদি পূল্লিং থৌগৎপদি তমসি। সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নদুনা নহাক্কী তুংগী পুন্সি মাঙনবা অমদি কৈশুমশঙ য়ৌনবা ইশানা ইশাগী লাং থাক্লোইসি।

অদোমগী - মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।